মতম মতমগী ৱাফম

# শুন্মাং লীলাদা বি.এ থিবা

মতম অমদা তম্পাক লমদা শাফু কন্না শান্নরকপা মণিপুর শুন্মাং লীলানি। হৌজিকসু শান্নরি অদুবু মতম অমগী শুন্মাং লীলাদি ওইদ্রে। শুন্মাং লীলা হায়রম্বদগী অমুক শুন্মাং কুম্মৈ হায়না হৌজিক হায়নরক্লি। লীলা হায়বসি মীরোন্নি,ইরোলনা য়ারিমখৈ শিন্নবা হোৎনরকপদা লীলা হায়বগী মহুৎতা কুম্মৈ ওনখি। 'শুন্মাং' হায়বা ৱাহৈসিনা তাক্লিবসি উৎকদৌরিবা অমদি শান্নগদৌরিবা 'লীলা' নৎত্রগা 'কুম্মৈ' অদুগী শান্নফম মফম অসিসু য়াওনা তাকচবনি। 'কুম্মৈ' হায়বসি লমদমসিদদি মতম নাইনা পাংথোকপা হরাউ কুম্মৈতবুসু খঙনৈ। হৌজিক্তি 'শুন্মাংলীলা' হায়বগী মহুৎতা 'কুম্মৈ' হায়বসিনা হেন্না চানবগুমসু তৌই মরমদি মতম অমগী থৌদোক অয়াম্বা - চাকচা হৈজানবা,ষষ্ঠি পুজা, অমদি অতৈ থৌরমশিংদা কৌদুনা শান্নরম্বা শুন্মাং লীলানি ঙসিদি

শুন্মাং কুম্মৈ, নীংথম কুম্মৈ ফেষ্টিভেলগী শরুক য়াননবা অমদি য়াওশংগী খক উৎননবা ওইখ্রে। তঙাইফদনা ফেষ্টিভেলগীখক ওইনা অকক্লবা ইবোয়াইমা শঙলেন্দা অমদি য়াওশংগীনা লম্বী লমজাও থৎলগা শান্নবা নত্তনা শুন্মাংদা শান্নখিদ্রে । অদুনা শুন্মাং হায়বসি অমুক লৌথোকখ্রগদি কুম্মৈতমক হায়বদা তারকই। মসি মতম মতমগী মীয়ান্না শেমলকপনি অদু ওইজরগসু অহানবা মীয়ান্না খঙনরকপা, হায়নখিবা অদুদি পাক কোকপা ঙমগদবা মান্দে । চেদা ইরকপদা শুন্মাং কুম্মৈ হায়রগসু ঙাঙনবদদি শুন্মাং লীলা হায়বসিনা হেন্না খঙনা হায়নৈ ।

ময়ান্না ঙল্লিগৈদা খঙনরকখিবা 'শুন্মাং লীলা' হায়বা ৱাহৈ অদুদা আর্টিকল অসিগী ওইনা শীজিন্নজরি। শুন্মাং লীলাগী ৱারীগী মতাংসি হায়নিংঙাই য়ামখ্রে। ঙল্লিগৈগী লীলা খঙহৌবা, উহৌবা, লীলাবু নুংশিবীবা অহল-নহা ঙসিসু য়াম্না লৈরি। খূদিংমক্লা হায়, 'মতম অমদগী শুন্মাং লীলাদু নুংঙাইবনিদা '। ঙসিগী মীরোলশিং মতম অমগী ঙল্লিগৈগী লীলা উবীহৌদবশিংনসু অমুক হৌজিক্কী শুন্মাং লীলাসি নুংঙাই হায়গনি । মসিনা তাকপদি শুন্মাং লীলাসি মীয়ান্না য়াই, মীরোল অমদগী মীরোল অমদা পামদুনা লাকই হায়বসি চুন্নগনি। শুমাং লীলাদি অয়েংবনা পৈশা তিংলক্তে। লীলা কৌজরিবা মীওই খক্তনা লীলাগী শান্নমল (দক্ষিনা) কৎচরগা কৌজবনি। লীলা কৌজরিবা মীওইনা মথন্তনা লীলা য়েংনবা কৌবসু চৎনরক্তে ময়াম য়েংহন্নবনি। শান্নগদবা মফমসি শুন্মাংখক্তংদা নত্তনা লৈকাইগী মান্দপ, লম্পাক, তুরেল খোংবান, লাই হরাউফম অফংবা অহাংবা মফম অমদা হেক্তা শান্নরকই । থোইদোকপা থৌরাং লৈতে ইচম চম্মী। লাইদ অমদি সাইন্দগী থোইদোকপা মথৌ তাদে মাইক য়াওদনা লীলা য়াম্না শানখি। হৌজিক্লা ফম্বাক (ষ্টেজ) শাদবা য়াদবগুম, ফম্বাক থক্তা লমজাও থৎলগা ষ্ট্রিট প্লেগুম্না অঙানবা মৈঙাল, অফবা একোষ্টিক সাউন্দ য়াওনা শান্নরে। তশেংনমক হৌজিক শান্নরিবসি ষ্ট্রিট প্লেমক্লি হায়বা য়ারে । শান্নগদবা কাঙবুসু বস তোংদুনা নুংঙাইনা মতম চানা লাকপা ঙমলে। লমজাও মতাই অমদা বস খামলগা অদুমক ৱাদনা লম্বীদা কুমথদুনা লীলা শান্নরম্লগা মথং অমা অমুক ইকোম কোম্না অতোপ্পা মফমদা শান্নবা চৎনরে।

বি.এ. থিবা রুপমহল থীয়েটরগী মমিং লৈখিবা ফম্বাক লীলা স্কৃপ্ট অসি লোইতাম তোমালনা মরুওইনা লুচিংলগা শুন্মাং লীলাদা সিটি যত্রা এসোসিয়েসন্না শান্ননবগীদমক হায়নখি। রুপমহলগী মমিং লৈরবা ওঝা লাইশ্রম নেত্রজিৎনা সিটি যত্রা এসোসিয়েসনবু খঙবীবনা শুন্মাং লীলা ওইনা শান্নবগী অয়াবা পীবীখি। ওঝা নেত্রজিৎ মশামক্লসু তন্বী তাকপীখি। ৱাফমসি লোইতাম তোমাল মশানা হিংলিগৈদা তাকপীরম্মী। অতোপ্পা তাকপীরকপা ওঝা অমনা য়ুম্নাম সোভা (শ্যামকিশ্বর), কোঞ্জেং লৈকাইদা লৈবা লীলা অসিমক্তদা মরুওইবা হিরোগী শক্তম লাংবীরিবা অসিনসু তাকপীরকপনি। য়ুম্নাম শ্যামকিশ্বর, কোঞ্জেং লৈকাইদা লৈবা ওঝা অসি শুন্মাং লীলাগী মতম অমগী মশক নাইখিবা হিরোনি ।

শ্যামরিশ্বর হায়রগা খঙনদে বি.এ থিবা লীলাগী হিরো শাবা, ইম্ফাল বাবু লীলাগী হিরো শাবা হায়রগা খঙনৈ। মীংসু সোভা হায়রগনা হেন্না মীয়ান্না খঙনবীখি। মশক ফজখিবা হিরোনি। ৱা ঙাঙবা, ডাইলোগ দেলিভেরী তৌবদা লূম লূম লাওবা খোন্থোক চেনবা শুন্মাং লীলাগী ঙল্লিগৈ মতমগী অচঙবা লীলারোইনি। মহাক্লা লূম লূম লাওবা খোঞ্জেল শীজিন্নদুনা অতাবা মীওইশিংবু পূক্লিং শুমহৎখি। বি.এ থিবা লীলাদা অরুন কৌবা বি.এ. তম্বা লোইরবা লাইরবা মচা অমা শাখি। নাকল অমদনা জজ সাহেব (লোইতাম তোমাল)অমগী মচানুপী প্রতিমা কৌবী কেথোক্লা য়োকপী মচানুপী থাজনবগীদমক মরম ওকপা,বি.এ. অমা থিবদা অরুনদা তাখি। ঐগ্যা তুলেশ্বর কৌবা (তখেলম্বম বুধানা শাখি) অমগী মতেংদগী লমকেৎ লমহাইবী প্রতিমা লৌখি। প্রতিমা শাখিবী অসিসু মতমদুদা মমিং লৈখিবী ময়ান্নদি পারু শাবী হায়রগা খঙনখিবা (তোন্দোন)না কুমখি। লীলাদুদা অরুনগী শক্তমদা (য়ূম্নাম সোভা) না ঙাঙনখিবা ডাইলোগ মতেক অমা থমজরি।

অরুনঃ -খাংদা ঙৌবা ঙানা শারে হায়না চোংথরকপা মৈনুংদা তারে। অৱাবসি খজিক্তা কোক্কদ্রা হায়দুনা জজ সাহেবকী মচানুপীদু লুহোংলুরে। ৱাহৈ অমগা হন্টর অমগা



বি. এ. থিবগী হিরো য়ুম্নাম সোভা (শ্যামকিশ্বর ১৯৬৯)



হৌজিক্কী য়ুম্নাম সোভা (শ্যামকিশ্বর ২০১৯)

হন্টরৱালিনি। ৱা অমত্তা মেন তানা ঙাঙনবা য়াদে। বাবানা ঐবুসু পূন্সিসিমগী ইন্থোকপীরে। শিরে হায়দুনা চফু উয়ান থুগায়খ্রে। সোমদনা জজ সাহেবকী মচানুপীগা তিন্নবা য়াদে। ঐ খল্লুরগা জ্ঞান তাদে।

শেন পায়দবনা কোক শাবা, ৱাখলনা ফুম্বংনরবা পাঙ্গল থোকপা ঙমদবা , লাইরিক হৈরবসু লাইরবনা ফকচিল্লবা করেক্তর অমা শাখিবা য়ূম্নাম শ্যামরিশ্বর (সোভ)নি। মহাক্লা বি.এ থিবা শুন্মাং লীলা অসিদা উৎখিবা আর্ট এক্তিং অসি মতম অদুগী রুপমহল থিয়েটরগী মশক নাইরবা ওঝাশিং লাইশ্রম নেত্রজিৎ, ওইনাম বীরমঙ্গল, অসিনচিংবশিংনা তাকপী তন্বীরগা কুমখিবনি। অহল লমন ওঝা নাইরগা কুমলকখিবা ওইবনা মতম অদুগী লীলাশিং ইম্ফাল বাবু,চাকতাংবা... লীলা খূদিংমক মায় পাকখি। ঙসিফাওবা মীয়ান্না শোন্নরি। মতম অদুগী লীলাদি লীলা অমনা চহী মঙারোম অদুম লৈকাই থুংনবা শান্নখিবা ঙাক্তনি। শুন্মাং লীলা অমগী মপূন্সি য়াম্না শাংলম্মী। বি.এ থিবা লীলা অসি টেক্স ওইনসু ফোঙলে। নৈনবা য়াবা লীলা অমসু ওইরি।

মতম অমা লাইরিক লাইসু য়াম্না তম্নদ্রিগৈ, বি.এ. তম্বা লোইরবা মী তাংলিগৈগী মনিপুরী খুন্নাইগী মশক উৎপনি। ইনাক কৈরাক খুনবা ইমুংগী মচা নুপী থাজবদা মহৈ হৈবা থিরগা পীনরম্বা, পৈশানা লৈরগা য়াওং ইলহনবা,ইনাক খুনবা ইমুংগী মচানুপীনা লমকেৎ লমহাইবা, থোইচৎনবা মতৌ লীলাদা উৎলি। অরোয়বদা, ৱারক ৱাতেমখিবদগী মরম ওকপী য়ূমগী মৌ ওইরকখিবা, ফিদমনফম য়াম্না কূপ্না নৈনবা বি.এ.থিবা লীলানি। শুন্মাং লীলা হায়বসি অৱাবা ঙাক্তনা উৎপা য়াদে। মীবু মতাং চানা নোকহনবা ফাগী হায়বসিনা ফুরিৎ ওইনা লীৎতুনা মশা পূম্বা য়োমশিল্লগা উহনবনি। মসি অঙনবা মতমগী শুন্মাং লীলা খুদিংমক্তা লোয়নরকই। ফাগীনা লীলা অদুগী ময়াঙ পুই, অমগা অমগা শম্নহল্লি। ফাগী য়াওদ্রবদি শুন্মাং লীলা ওইরকখিদে। বি.এ. থিবা লীলা অসি মীবু পূক্লি তৎখৈ নোকহনবা য়াবা লীলা ওইদে অদুবু অইবনা লীলাগী মহাউ পীনবা হোৎনবদা 'য়াইমা' কৌবা পঙতক তৌবা করেক্টর অমা য়াওহন্দুনা লীলাগী ৱারী পরিংদগীসু লাপথোকখিদনা নোক্লিংবা ৱাঙাঙ শাজৎ কয়া য়াওহল্লি। নোংমা, জজ সাহেবনা ৱা অমা হংঙিঃ-

জজঃ- মীনা তাক্লবা ঙাইদনা অমসুং থৌদাবা ঙাইদনা মথৌ তৌবা মী অদুবু কৌইনে মী অচঙবা। য়াইমা ঃ- অমা তৌরিগৈদা অমা হেক্তা হায়রকই অমা হেক্তা নঙহৌদে। জজঃ- থবকপু লোইবা হায়বা নাইব্রা ? শীং খায়রব্রা, চরু কক্লব্রা,ষনগোন শেংলব্রা, লৈকোন ঈশিং চাইরব্রা? য়াইমাঃ- অহোই। জজঃ- কাগী লৈতেং শেল্লব্রা? য়াইমা ঃ-ইহে অদুমদি কাওরে। জজঃ - তৌগদবা নথৌ কাওরে য়াইমা ? হোল্লিবসি করিনো ? য়াইমাঃ- স্বরনি। জজঃ - স্বর হোল্লিবসি লেপ্পবদি কৈদৌনি ?

য়াইমাঃ- শিনি।

ঙাঙনরিবা ডাইলোগশিং অসি ইচম চম্না অওক অথোং তৌদুনা ঙাঙনরকপদা লায়না নুংঙাইহল্লি। তাবদা য়াইমগী পংতক তৌবা পাউখুমদা নোক্লিংহল্লি । মসি শুন্মাং লীলাগী মচৎনি। বি.এ. থিবা লীলাগী নুংঙাইরকপা,অৱাংবা পনখৈ ক্লাইমেক্স তানখৎপা হৌরকপসি অরুননা প্রতীমাবু ৱারকপা হৌরকপা মতাং স্বাইদগীনি। প্রতিমাঃ- করি অদুক চাউথোকপা পাউখুম। য়াইমা ঐগী হন্টর? অরুনঃ- তয়াইমা চৎখিনু। হন্টর উথরগদু করিমত্তা কান্নরোই। মৈ লোয়না থাদোকখ্রবনি। প্রতিমাঃ- থৌনা ফরেদা মীশিংসে। বাবাগী পিষ্টোলদু পুরকউ। অশা, মৈ জাউংগী থিক করুংগী। অশুক নাপল চাউবা ঐগী অরৈবা মীনাই মানসু। (অরুন্না ফারগা প্রতিমাবু পুল্লি) থাদোকউ ঐবু পুল্লিবা করিগীনো ? অরুনঃ- লম হেনগনু। প্রতিমা ঃ- হেনগনি। অরুনঃ- তয়াইমা, লাও ৱা হায়গে। নখোয় জজ সাহেবতা তমলুচো মেমসাহেবতো ঙাওরে হায়দনা ঐনা পুল্লগা থমহৌই হায়য়ু। প্রতিমাঃ- ববা লাক্লগা বিচার তৌহনগনি। অরুনঃ- বিচার অদুদা কনানা লানগনি খঙব্রা ? লাকপু লাকপীগদ্রা নঙগী ববাদুবো । প্রতিমাঃ- থৌনা ফরেদা মীশিং অসে। খঙজৌ ববানা নঙবুদি জেলদা থম্বা ঙম্মী। অরুনঃ- ঐনা জেলদা লৈরবদি নঙদি ফজরনি। প্রতিমাঃ- ঐ য়াম্না ৱারে পুল্লিবসি অমুক্তা থাদোকওসে। অরুন ঃ- লমহেনগনু । প্রতিমা ঃ - হেনগনি। অরুনঃ- হৌজিক্তি ঐবু মশক খঙলেদনা । লম

হেন্দনা নীংথিজনা জ্ঞান তানা য়ূমসিদা লৈরমগদবনি। ঐ ঙসি ২/৩নি থবক অরুবা অমা চৎথোকউবা তারি। প্রতিমা ঃ- ঐসু চৎকনি। অরুনঃ- ফরে অদুদি শেম শারুরো চৎলো। প্রতিমাঃ- অদু ওইরদি চৎলোই। অরুনঃ- অদু ওইরগা লৈজহৌবা হায়দুনিদনা। প্রতিমাঃ- অদু ওইরদি লাক্কনি। অরুনঃ- অদু ওইরগা লাকও। (চৎমিন্নখি)

ঙাঙনরিবা অসিদা নুপী নুপা ওইনবগী, কেনবগী অতেনবা ডাইলোগশিং ফজবা অসি নৈনবা য়াই। মীবুসু লায়না নোকহনবা ঙম্মী। লমকেৎ লমহাইবী অমনা খঙহৌদনা ৱাখল তারকখিবা, ওইনবা মতৌগী ডাইলোগ তাবদা নুংঙাইহল্লি। অসিগুবা মখলগী থাক ৱাংবা শুন্মাং লীলা অঙনবা মতমদা য়াম্না লৈখি। মসিদা মরুওইবা রোল লৌবীখিবা ওঝাশিং লোইনমক থুপখ্রে। হৌজিক হিংহৌরিবা হায়ববু য়ূম্নাম সোভা (শ্যামকিশ্বর) খকতমক ঙাইহৌরে। ক্বাকৈথেল কোঞ্জেং লৈকাইদা ১৯৪৫ পোকখি। মচিন মনাও নিপালগী মনুংদা অহুমশুবনি। মশাগী চহী ১৮ শুরকপা মতমদা শুন্মাং লীলা য়াওরকই। তশেংনমক শুন্মাং লীলাদা পুথোকপীরকখিবদি- দি পিপলস যাত্রা এসোসিয়েসন কোঞ্জেং লৈকাইদা লিংখৎখিবা লীলা পার্টি, লৈকাইগী ময়াম্বশিংসু ওইবা ওঝাশিং ওইনাম বাবু, তখেল্লম্বম চাউবা, ময়াং ইম্ফাল তোন্বী অমদি কুঞ্জরাজখোয়ননি। মথংদা, দি সিটি যত্রা মন্দল কোঞ্জেং লৈকাইদা য়াওদুনা ওঝা লাইশ্রম নেত্রজিৎনা তাকপী তন্বীদুনা অথোকপম তোমচৌগী ইম্ফালগী বাবু (১৯৬৭), ওঝা নেত্রজিৎকী বি.এ.থিবা (১৯৬৯) লীলাশিংদা মেন কাষ্ট (হিরো) শাহনখি। লীলাশিং অসি মতমদুগী বেষ্ট প্লে ঙাক্তনি। অসুম্না লীলা কয়া শক্তম লাংলকখি। শুন্মাং লীলা ২০ লোমদা মরুওইবা রোল লৌরকখি। মমিং লৈখিবা খরদং পনবা তারবদি- মণিহার শর্ম্মগী-চাকতাঙবা,অথোকপম তোমচৌগী -ইচে য়াইমা,ইম্ফাল বাবু,পোটেকমার। লাইশ্রম নেত্রজিৎকী -বি.এ থিবা । জি.সি তোংব্রাগী -মেমথোইবী,হিংমিন্নবা । শীতলজিৎকী -ইমা । বি.যুগোলচন্দ্র শর্ম্মগী- কাঞ্চি কোকীল । চনা লুখোইগী- অরোইবা খোঙচৎ অমদি ফেন্সি ৱেলফিয়ারগী লীলাশিং পনবা য়াই।

য়ূম্নাম সোভা (ইম্ফাল বাবু অমদি বি.এ থিবা লীলাগী হিরো শাবা) শুন্মাং লীলাদগী পোথাখিবা কুইরে। মীয়াম্না কাওনখ্রে। ওল ইন্দিয়া রেডিওনা মরক মরক্তা শন্দোকপীবা বি.এ থিবা লীলা নত্তনা ইম্ফাল বাবুদি তাবা ফংখিদ্রে। ঙৌরোক ঙৌবা কুচু, চাও শাংবা শাবান, ফজবা শকফম,শম্বোংবী ৱাংনা হাৎতুনা খোন্থোক লূম লূম লাওনা লীলা কুমখিবা য়ূম্নাম সোভানি। হৌজিক চহী ৭৪ শুরে। হৌখিবা মতমগী শাংলবা শুন্মাং লীলাশিংবু নীংশিংলগা মচা মশুশিংগা লোইননা চম্না পুন্সি লেঞ্জরি।

হৌজিক লাকচনিংলিবা ৱাফমদি মণিপুরী শুন্মাং লীলা অমদি অতৈ পারফোর্মিং আর্টশিংগী মফমসি করম্বা ফিদা অমদা লমদমসিদা লৈরিবগে ? কনানা মখোয়বু নীংশিংবীরিবগে ? করম্বা লৈঙাক্কী মীৎয়েং মখাদা ঙাকপী শেনবীরিবগে হায়বসি ৱাহং লাকই। করম্বা পোলিসি অমনা মুৎখ্রগদবা মমি শামজিনখ্রবা আর্ট ফোর্মসি য়োকখৎনবা হোৎনরিবগে হায়বসি হৌজিক্ ফাওবগী ওইনা করিমত্তা উবা ঙমদ্রি। মণিপুর শুন্মাং লীলা কাউন্সিল অমদি শুন্মাং লীলাগী লন্নাই সংস্থান পীছমেকর আর্টিষ্ট এসাসিয়েসন্না চহী খূদিংগী মখোয়না ঙমজবা খুদোল পীদুনা মণিপুর শুন্মাং লীলাদা খোংদাজরম্বা লীলারোইশিংবু ইকায়খূম্নবা উৎপীরিবসি নত্তনা করিগুম্বা অহেনবা অমত্তা লৈঙাকলোইশংগী মরীলৈনবশিংনা থৌরাং লৌখৎপীদ্রি। হৌজিক্তি অঙনবা মতমগী শুন্মাং লীলা খাঙেনফম য়ৌখ্রে। মংফমদগী লৌথোকলুবদসু শরূ মচেৎ অমা ফাওবা ফংলরোই। লমদমসিগী পারফোর্মিং আর্টশিং অসি ঙমোক তাহনবা মসিগী মমল ঐখোয় ইশানা খঙজদবসি করম হায়না মরী লৈনবশিংদা থিন্দুনা তাক্কদবনো খঙজদ্রে। বেঙ্গলগুম্বা, কেরলাগুম্বগী ওইরম্লগদি মখোয়না ৱাংনা থাঙ্গৎলক্কদবু খল্লুবদা তু চুংই। মণিপুরগী নাৎকী মশক খরা খোঞ্জেল ওইনা রেকোর্দ তৌদুনা থম্বীহৌরিবসি ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালতমক ঙাইরে। ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালনা হেন্না লমদমসিগী তাঙলবা নাৎকী পোৎলমশিং ওডিও আরকাইভ থমজিনবীরি। মসিনা হেন্না মমল লৈরকই। ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালসু হৌজিক্তা আরকাইভস হাংলকপনি। মমল য়াম্লবা ওডিও রেকোর্ডিং অয়াম্বদি মুৎখিবনা হানখ্রবনি। অরীবা পোৎকী মমল হৌজিক্তা খঙলকপগুম

ৱারী ককনাউ

## লাই লম থোকপা

ঐখোয় লৈকায়না য়াম্না হেক কিনরিসি লাই লম থোকপদা লাই ঙাওবসিনি। ঐখোয় লৈকায়গী লাইসি খরসু ঙাওই। লম হেক থোকপা খুদিংগী অদুম ঙাওরে। লাই মতা অমনি। চহী খুদিংগী লাইসি ঙাওমন্দনা লাইবুং য়ৌরকপসি নুংদাং হেক্তা ওই। লাইদু লৈরক খুদিংগী চেনশিল্লি। লম্বী মপান্দা লাই লাকপা য়েংবশিংদুগী মরক মরক্তা চেনশিল্লি। মদুদা ময়াম্না ৱা-ৱা কায়দুনা কিদুনা চেন্নবদুদা তুশিনবদা অশোক-অপন য়াম য়াওনৈ।

লাই থাজদবা ইতাও চাউবনবু লাই লম থোকপদা ঙাওই-ঙাওই হায়রিসি তৌশিন্নরিনি, মৱা লৌদে হায়না হায়,

"লাই ঙাওরে-ঙাওরে হায়সি করি কমাইনা তৌরিনো? মীরক্তা লাইনা চেনশিন্দুনা ঙাওশিন ফৈজিনবগী টাইপতা তৌরিসিবু মতমসিগী মীশিংগা মান্ননবা তৌরিব্রা? লাই হায়সিদি ঈং-তপ্পা ঙাক্তনি। মীরক্তা - কৈথেলদা কৈসু চেনশিল্লোই"

"তৌবৈদি লাই অঙাওবসু য়াম লৈদা, মহাদেব গাইদু য়াম্না ঙাওই হায়"

"ইহে হরাওনরিসিদি ময়াং লাই অমতা নত্তেমী। ঐখোয় শ্বাইগী লাইনি, মী লমগী লাই অমত্তা নত্তে। ময়াং অমদা ঐখোয় লাই অমগী মমিং হায়রুবদা মমানা পোকপদগী তাবা নত্তেমী। নহান নোংমা ময়াং অমদা ঐখোয় ইমা পান্থোইবীগী মমিং পল্লুবদা, কিয়া...কিয়া পৃথিবী... হায়না করেম্নরকই। ঐনা ঈ কাদনা ময়াংদু ময়া থুদেক্কে তৌখ্রবনি"

"অদুদি ঐখোয় লৈকায়গী লাইনা লম থোকপদা ঙাওরিসি করিগীনো?"

"মরম লৈদনা ঙাওরিনি"

"অদু মরমদু কৈনোবা?"

"য়াম তানীংব্রা, য়াম খঙনীংব্রা?"

"খঙনীংই"

"হো অদু ওইরদি হায়রগে, হন্দক লাই পুবদা য়াওবা নহা ময়াং খরা কংবা থোকচোমগী চেংলৈ হায়বা নহাদু খঙব্রা?"

"উম খঙই"

"লাইদুগী খ্বাই মমাঙদা শগোল তোংঙগা, থোইবীগী দ্রেসকা শেৎলগা মকোক্তা কজেংলৈগা উপ্তনা চৎপা মশক খরা ফজবা, মামা মোহোনগী মচানুপী মেমীদু খঙব্রা?"

"হোইনে খঙইনে"

"মোই অনীসে লৈকায়সিদা লৈমিন্নরসু কোয়নবনি"

"হোইনে মদুমাইনা হায়নৈনে"

"মেমীনা লাই লম থোকপসিদা থোইবী শারগা শগোল য়াম তোংনীংবা, খঙঙব্রা? মরমদি শগোল লোইবা শাবল লৈকায়গী মোমোচাগা মখোয় অনীসি ৱাদি হায়দোক্লদনা সুম খরা খরা য়েংনবনি, অদুদা মেমীনা মাগী শগোলদু তোংনীংবদগী মোমোচাদা শগোলবদু পাংবীয়ু হায়রুবা, সিগী পাউসি অমুক চেংলৈনা খঙবা, অদুদা মানা 'নঙ থোইবী শাবা য়ারোই, শগোল তোংবা য়ারোই সিনিদনা"

"অহ! অহ! নুংঙাইরিনে"

"মেমীনা য়াদ্রে, থোইবী শারনি হায়রে। ময়েক্কীদি চেঙলৈসি, লাইগী থাঙ পায়রগা মমাঙদা চৎকদবনি, অদুদা লাই কম্মিটিদা হায়নরগা লাই পুবা ওইনা য়াওজগে হায়না হায়বদগী লাই পুবনি। হল্লকপদুদা মেমীনা মোমোচাগী শগোলদু তোংলগা, নোমহৌ নোমহৌ নোকফেৎ নোকফেৎ তৌরগা মমিৎতুনা মোমোচাদা হেক হেক য়েংলকপা, মোমোচাসু শগোল চুপলিদু পায়রগা শগোলগী নাকন্দা সুম চৎনা চৎনা মমিৎতুনা মেমীগা ঈরাং তৌনবসি লাই পুরিবা চেংলৈনা উরে। মাদি ঈ কাবদা লোইরে। লাই পুনা পুনা মাগী ফিরৈদা য়েপ্পা মোবাইল ফোন্দু লৌথোক্লগা মেমীদা তৌশিল্লি। মেমীসু ফোনদু ফনেক্তা য়েপলম্বদগী লৌথোক্লগা পায়রে, অদুদা চেংলৈনা - নঙ নমিৎতু কায়দা য়েংঙিনো, থুগাইয়ুরা সিনিদনা। মদুদা মেমীনা, - নথৌ লৈব্রা হায়না কোক হেক খুল্লকপা । অদুদদি চেংলৈসি হেক্তা ঈসি হাইগৎখিদনা মেমীসি ময়াম মমাঙদুদা অমুক্তং শগোলদগী চিংথরগা মমাইদা খূৎপাক্লা থাগে হায়দনা মানা ফৈনা হেক্তা চেনশিনবনি। অদুদা লাই পুমিন্নরিবা অতৈদুনা অমুক য়ান, মানা অমুক চিং তৌবদুদা ফৈনা ফৈনা চৎখিদনা লাইগী দোলাইদু মীরক্তা অমুক চেনশিন, থোঙ্গালদা অমুক চেনশিন তৌবনি।"

"ও! মদু খঙদবা মীনদি লাই ঙাওরে, লমলাল্লনি হায়দনা ৱা ৱা কায়দনা চেন্নবা ওইরে।"

"মানে, চেংলৈগা মেমীগগী নুংশি ঈরাংদা লাইদু ঙাওরকইনে"

"ও! লাইদুদি কৈমতা তৌজবা নত্তেদনা"

"কাইদগী লাইবু কমাইনা ঙাওদুইনো, লাই হায়সিদি লেমখ্রপোৎনি।

"অদু ওইরে"।◂◂

- **নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

## নোকপা তম্মু

থিজিনবা অমগী মতুং ইন্না খঙলকপদা চহী মরিগী অঙাং অমনা চাউরাক্লা নোংমগী মনুংদা চহুল্লক্কুম্বা নোকই অদুগা অহল অমনা তরামঙারক্কুম্বা খক্তং নোকই। পাঙথোক্কদবশিং, নল্লিবা শাফুশিং অমদি থবক-থনা ময়ামগা করিগা ঐখোয় কমদৌনা নোক্কনি হায়বা কাউরবনি। নোংমগী মনুংদা মরাং কায়না নোকপা হায়বসিনা ঐখোয়গী পূক্লিং নুংঙাইবগী ফীভম ফগৎহল্লি, হৈনীংবা হেনগৎহল্লি অমদি ঐখোয়দা পাঙ্গল হাপ্পী। কমেদিয়ান ষ্টিব মার্টিন মশামক মিংশেল মমাঙদা লেপ্পগা নোংমদা অয়ূক খুদিংগী মিনট মঙাদগী তাদনা নোকথোকই। মদু তৌবদগী মঙোন্দা অনৌবা ৱাখলগী মচাক ফংহনবা ঙম্মী (হেৎনদুনা য়েংবীয়ু - কান্নবনি।) নোকপনা লায়েংবগী থবক অসি অনা লায়েংবদা ফাওবা শীজিন্নরবনি অমদি শাথীনা নারবা অনাবা ফাওবা ফহনবা ঙম্বা থেংনরবনি। মোর্দন সাইকোলোজিগী মপা হায়না খঙনরবা ৱিলিয়ম জেমসনা হায়খি, "ঐখোয়না নুংঙাইরে হায়দুনা নোকপা নত্তে। নুংঙাইরিবদুদি নোকপদগীনি।"

হৈশিংবদা মশক খঙনরবা ঐগী মরুপ অমনা অমুক্তি চহী অমখক হেন্না নোক্কে হায়না চহী হৌবগা ৱারেপ লৌখি। চয়োল অমা অনী হেক হেক লৈরগা মখোয়গী অনকপা ভিদিও ষ্টোর অমদা চৎলি অদুগা *থ্রী ষ্টুজ*গী ভিদিও কেসেট অমা ৱায়রগা অশংবা মতমদা য়েংই। করিগুম্বদা ফাগিগী লাইরিক অমা লৈরক্লগা ঙাইহাক শংবদা পাথোকই। মশানা নুংঙাইবা হৈনজবা মী অমা ওইবনা অসুম্না তৌবদগী মঙোন্দা নোক্লিংবা হেন্না পোকহল্লকপা থেংনরকখি। মসি মহাক্লা নোকপগী ৱারেপ লৌদ্রিগৈ মমাঙদগীনি। মাগী অকোয়বদা উরিবা নোক্লিংবা মচাকশিং অদু থেংনরুরগা অমদি নৌনা ফংলকপা নোক্লিংহনবগী মচাকশিং অদুগা পারগা, মহাক্কী পুন্সিদা হান্না থেংনরম্বা মখল কয়াগী শাফুশিং অদু খরা খরা ময়েং তারকপা উরকখি। অসিগুম্বা অচম্বা টেক্নিক অসিনা হিংবগী অমদি থবক মায় পাকপগী পুম্নৌ নৌবা থাক অমদা মহাকপু পুখৎখি।

ঐগী মরুপনা তৌখিবা অদু নহাকসু তৌবা য়াই। লৈকায়গী ভিদিও ষ্টোরদগী নোক্লিংবা ফিল্ম ৱায়দুনা য়েংবা য়াই। অনোকপগী লাইরিকসু খরা অসুম থমজিনবা য়াই, খুদম ওইনা গেরি লার্সনগী ফার সাইদ পরীংগী নৎত্রগা ময়াম্না য়াম্না পানবা দিলবর্ট কার্টুনগুম্বা য়েংদুনা নোকপগী হৈনবীদু হেনগৎহনবা য়াই। ইশাদা য়াওজবা নোকপগী মশক অদুগা অমুক মরী অমা শেমগৎপীয়ু অমদি পূক্লুংদগী হৌরকপা নোকপগী খোঞ্জেল তাবীয়ু। ◂◂

(বি এস রাজকুমারনা মীতৈলোন্দা হন্দোকপা রোবিন শর্মাগী লাইরিক ***'নহাক্লা শিরগা কনানা কপহৌগনি?'*** হায়বদুদগী লৌখৎচবা)

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৬

১। মৈতৈ লৈবাক্তা থায়নদি মতম তাকপসি তানয়ৈবগী পূংশিংদা চৎলম্মী। মদু ঘড়ীগী পূং নত্তে। মদুবু মৈতৈ পূং হায়না খঙনৈ।
(ক) মিনিট কয়ারোম্না মৈতৈ পূং অমগা মান্নবগে?
(খ) য়ুথক অমা হায়বসিনা মৈতৈ পূং কয়ানা শাবগে?

২। "নমিৎ পাল্লি উদরে, নখূৎ পাল্লি পায়বা য়াদরে।" পরেং অসি মহাকবি অঙাংহলগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "শিদুনতা লৈরবা নঙনা/লানগী শাজেল অমুক তৌরিবা?" পরেং অনী অসিনা কবি বিরেন্দ্রজিৎকী শৈরেং অমদগীনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "নুংশিবা! নঙবু ঙাইবদা ঐ ৱারে। ঐ চৎলে কাছারদা ইমাগী মনাক্তা। করিগুম্বা নহাক্লা হল্লক্লবদি... খোঙ্গুল লীবিরকউ।" পরেং অহুম অসিনা সনাতোম্বীগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচাদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "নোংমদোন অতিয়াদা ঙানবা থাজদি মায়হিং কায়দো, হিড়ম্বা লৈবাক অসিদা ঙাল্লিবা থাজ অসিদি মায়হিং কাদেদো।" অইবা কব্রম্বম নীলকান্তগী উপন্যাস অমদগী লৌথোকপনি। মায়হিং কাদ্রিবা থাজসি কনাবুনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পূং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।